www.sanaleibak.in

# সনালৈবাক
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 15,141 | 22 Carat/g : ₹ 14,290 | 1 Kg Silver : ₹ 2,50,000 | 10 Gram Silver : ₹ 2,330 | WEATHER: Scattered Thunderstrom | Temperature 29/23°C | Sunrise: 04:44 AM Sunset : 05:57 PM | Petrol : ₹ 106.87 Diesel : ₹ 92.57 | GAS TODAY Nill | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 250 IMPHAL, WEDNESDAY, AUGUST 19, 2026 মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ য়ুমশকৈশা, থৱানগী ৭ নি পানবা RNI Regd. No. 31350/77 PAGE : 8 Price: ₹ 5.50

## এন আর সি তৌদনা সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়বা দিমান্দদা জে এফ দিনা কৌখিবা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইকনা মণিপুরগী মফম অয়াম্বা খুন্তাক লানশিনখ্রে

# মীয়ান্না লম্বী থীংজিন্দুনা মফম কয়াদা খোঙজং চঙশিন্নখ্রে খোঙজংলোইশিংগা সেক্যুরিটিগা মুক্নবগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে





ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (এস এন এস)ঃ
এন আর সি অপদেট তৌদনা সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়বা দিমান্দদা কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)না ঙরাং অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা পুং ৪৮গী কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইকনা মণিপুরগী তম্পাক্কী মফম অয়াম্বা খুন্তাক লানশিনখ্রে। জে এফ দিগী খোঙজং শৌগৎতুনা মফম কয়াদা মীয়ান্না লম্বী থীংজিন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

এন আর সি অপদেট তৌদনা সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়না জে এফ দিনা লেপ্তনা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা মণিপুর পূম্বদা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক লাউথোকখিবদগী ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌরগা কৈথেলশিং কান্নরকখিদে। মরু ওইবা লম্বীশিংগী নাক য়েৎতা লৈবা দুকান থোঙ হাংনখিদে। পেসেঞ্জর পুবা গাড়ী খক্তা নত্তনা লন্নাইগী গাড়ী ফাওবা চেন্নখিদে। লম লমদা লৈবা কৈথেলশিং থোঙ লোন্নখি। লোয়ননা মফম মফমদা লৈবা ক্লব অমসুং মৈরা পায়বীশিংনা মেন রোদতা থোল্লক্তুনা লম্বী অচৎ অওক থীংদুনা জেনরেল ষ্ট্রাইক মপূং ফানা চথখি। ষ্ট্রাইক অসিগী শরুক অমা ওইনা ক্বাকৈথেল বজারদা মফম অদুগী নহাশিং থোল্লক্তুনা লম্বী থিং লিঙৈ সেন্ত্রেল ...মখা লমায় ৫দা...

### নীনি চনবা নুমিৎতা হেন্না অকনবা খোঙজং চঙশিনমিন্নসিঃ জিতেন্দ্র

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (এস এন এস)ঃ
অমনা তৌখিবগী অমসু তৌবা মানবা থেংলবা কাদা তাৎ পাৎ তৌবগী মওংদা চথরক্লিবা লৈঙাক্কী থৌওংপারা অমা ওইনা তম্বীনবা নীনি চনবা নুমিৎতা মীয়ান্না হেন্না অকনবা খোঙজং চঙশিনমিন্নসি হায়না কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)গী কনভেনর জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাল য়ুনাইদেট ক্লব গ্রাউন্দদা জে এফ দিগী থৌমীশিংনা হৌজিক লেপ্তনা চথরিবা খোঙজং অসিগা মরী লৈননা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়, লৈঙাক্কী মীহুৎ টিম অমা হয়েং দিল্লিদা চৎতুনা সেন্ত্রেল লিদরশিং উনদুনা সেন্সস য়ৈথোকপীরগা এন আর সি হান্না পাঙথোকপীনবা ...মখা লমায় ৫দা...

# দি সিদা সেন্সস ট্রেনিং তৌবা য়ারোই হায়না থোমজিল্লকখ্রে, ৩ শোক্লে





### ‘বন্দদা লম্বী চৎপা য়ানবা পুঙৌ ফনেক শেৎলগা সেন্সস ট্রেনিং লাকপা লাইবক থীবনি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (এস এন এস)ঃ
ইম্ফাল ইষ্ট দি সিদা সেন্সসকী ট্রেনিং তৌবা য়ারোই হায়না থোমজিল্লকখিবা ইমাশিং তানখায়বদা সেক্যুরিটিনা ষ্টন গ্রেনেদ লংশিনবদা মণিপুর পুলিসকী নুপী পর্সোনেল ১ য়াওনা খোঙজংলোই ৩ শোক্লে।

পোরোম্পাৎতা লৈবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নার (দি সি) ওফিস কমপ্লেক্সতা সেন্সসকী ট্রেনিং চথগনি হায়বা পাউ ফংবদগী জে এফ দিগী ৱিমেন ৱিং অমসুং মায়কৈ অদোমগী মৈরা পায়বীশিং হৌরক্তুনা দি সি মমাঙদা লম্বী থৎচিন্দুনা খোঙজং চঙশিনখি। নোং কন্না চুরবা ফাওবা খোঙজংলোইশিং অদুনা মফম অদুদা লেঙদনা লৈরগা খোঙজং মখা তানা অদুমক চথখি। দি সিদা ট্রেনিং য়াওবা লাকপা ষ্টাফ কয়াসু চঙহন্দনা ময়ুম ময়ুমদা হলহনখি। তুংদা চথরিবা ট্রেনিং তোকহল্লু হায়দুনা খোয়শাওনরবা মীয়ান্না দি সিগী গেট তন্না থোমজিল্লকপদা পুলিসকা মুক্নরকপদগী মণিপুর পুলিসকী মায়কৈদগী ষ্টন গ্রেনেদ ২ পোকখায়হন্দুনা মীয়াম অদুবু তানখায়খি। তানখায়বা অদুদা ষ্টন গ্রেনেদ পোকখায়রকপদা খোঙজং অদুদা শরুক য়ারকপী কোংপাল নাওরোইবম লৈকায়দগী ক্ষেত্রিময়ুম প্রমো (৫১) কৌবী খোঙজংলোই অমা য়েৎ থংবা খুজেং মপাদা পানবদগী শাথিনা শোল্লগা জেনিমস হোস্পিটালদা লায়কন্ননবা পুখৎখি। লোয়ননা তোপ খোঙনাংমখোঙদগী লাইশ্রম সুনিতা (৫৬) অমসুং লৈকায় ...মখা লমায় ৫দা...

### ৱাখলগী চিঙ্ঙাক

অৱাবগীসু নুংঙাইবগীসু পনখৈ
লৈ পনখৈ য়ৌরবা কান্দা অৱাবসু
হন্থরক্কনি নুংঙাইবসু হন্থরক্কনি

### আর ফি এফকা মরি লৈনদে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (এস এন এস)ঃ
চহী অসিগী আগষ্ট ১১, লৈপাকপোকপা নুমিৎতা মণিপুর পুলিসনা মশাগী ময়ুমদগী ফারে হায়না মণিপুর পুলিসকি ফেসবুক্তা ফোংলকখিবা অধিকারিময়ুম শারিৎ (৩৯), শগোলবন্দ শয়াং কোন্থৌজম লৈরক, ...মখা লমায় ৫দা...

### রিভোলুসনরি ইজুকেসন পোলিসি চৎননবা নীংশিংলক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (এস এন এস)ঃ
কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সি পি)গী ৪৬শুবা রাইজিং দে নুমিৎতগী চৎনবা হৌখ্রবা রিভোলুসনরি এজুকেসন পোলিসি ওফ কংলৈপাক চৎনদ্রিবা স্কুলশিংনা পোলিসি অসি চৎনবা হৌনবা পার্টি অসিনা নীংশিংলক্লি।
...মখা লমায় ৫দা...

# এন আর সি তৌবা তঙাইফদবনি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর উনরুরে, পোজিটিব ওইবা পাউখুম লাক্কনি থাজৈঃ বিরেন



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (এস এন এস)ঃ
নারোলদা চঙশিল্লকপা মীতোপশিংনা থোকহল্লিবা দেমোগ্রাফিক ইমবেলেন্স থীংনবা অমসুং মীতোপ খন্দোক্নবা সেন্সস মমাঙদা এন আর সি তৌবা তঙাইফদবনি। ইশু অসি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগা উনদুনা পুখৎলল্লে। পোজিটিব ওইবা পাউখুম লাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

থা অসিগী ১৬তা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবা নোংথোম্বম বিরেননা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহ উনরুরগা ঙসি অয়ুক অঙনবদা ইম্ফালদা থুং লখিবদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক মণিপুরদা অচৌবা ইশু অমা ওইনা মীয়ান্না তাল্লিবা সেন্সস মমাঙদা এন আর সি তৌবা হায়বা দিমান্দ অসি মণিপুর লৈঙাক্কীসু অপাম্বনি। হীরম অসিদা হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী ফেব্রুৱারি থাদা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌদুনা অমসুং এসেমব্লীগী ৱারেপ লৌরগা মণিপুরদা এন আর সি তৌবগী মতাংদা খন্নে হায়দুনা পাউখুম ফাওবা পীরকখ্রবনি। মদুদসু নত্তনা অনীরকশুবা ওইনা প্রোসেস মখা চথরব্রা হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্না তক্নদুনা ...মখা লমায় ৫দা...

সি তৌবিনবা সেন্টরদা থাখিবা লৈখ্রবনি। মতম অদুদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্স অমসুং রেজিষ্টার জেনরেলনা মণিপুরদা এন আর সি

# ইলেক্টেদ মেম্বরশিংগী মীহুৎ কাঙবু অমা ঙসি দিল্লি চৎকদৌরি সেন্সস তৌদ্রিঙৈ এন আর সি তৌনবা লুচিংবশিংদা তকশিল্লুগনিঃ ৱাঙাঙলোই





ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (এস এন এস)ঃ
মণিপুরদা লৈরিবা ইশু মরু ওইনা সেন্সস তৌদ্রিঙৈ এন আর সি হান্না তৌনবা লুচিংবশিংদা তকশিল্লনবা হয়েং রুলিং পার্টিগী ইলেক্টেদ মেম্বর ৫ দিল্লিদা চঙগদৌরি। এন আর সি তৌদনা সেন্সস তৌবদা মীয়ান্না ফাওরিবা ইহুল লৈঙাক্তসু চপ চানা ফাওই। সেল্ফ ইনুমরেসন মণিপুরগী ওইনা হৌজিক ফাওবা পোর্টেল হাংদ্রি, থবক হৌদ্রি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাঙাঙলোই ডা. সাপম রঞ্জননা ফোঙদোকখ্রে।

কোন্থৌজম এ সিগী এম এল এ অমদি লৈঙাক্কী ৱাঙাঙলোই ওইরিবা সাপম রঞ্জন, উরিপোক এ সিগী এম এল এ রঘুমনি, হৈরোক এ সিগী এম এল এ থোকচোম রাধেশ্যাম, ৱাংজিং তেন্থা এ সিগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেন, জিরিবাম এ সিগী এম এল এ অশাবুদ্দিন অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি কে সরত হয়েং দিল্লিদা চঙখ্রগনি। অদুগা ময়াং ইম্ফাল এ সিগী এম এল এ কোংখাম রোবিন্দ্রো, থাঙ্গ এ সিগী এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রো অমদি ক্ষেত্রিগাও এ সিগী এম এল এ নুর হসনসু দিল্লিদা চঙলগনি হায়রি।

এম এল এ ৯না শরুক য়াদুনা দি আই পি আরগী হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোল্লন্দুনা মখা তানা হায়, সি এস ওশিং ...মখা লমায় ৫দা...

### লোইরেদনা

ইবুংঙো ইমৌ নুপীদু ইশৌনা অমুক তোইবা লোইহৌরে, খঙদ্রেদা



করিগীনো তাদা, বন্দদা পান দুকান লোনখিবদগী জর্দা ফংদবগীরা

# মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিসারশিংগী ত্রান্সফর অমদি পোষ্টিং ওর্দর থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর লৈঙাক্কী অৱাংবা থাক্কী ওফিসারশিংগী ত্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগী ওর্দর থোক্তুনা মখোয় মখোয়না পায়বা থবকশিং হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরি (দি পি) বিদ্যারানী অয়েকপমনা থোকখিবা ওর্দর অসিগী মতুংইন্না মণিপুর লোক আয়ুক্ত অমদি কম্মিসন ওফ ইনক্বারি মণিপুর ভিজিলেন্সকী সেক্রেটরি ওইরম্বা আই এ এস মোহন লাল মীনা মণিপুর লোক আয়ুক্তগী কম্মিস্নর (ৱার্ক) অমদি কম্মিসন ওফ ইনক্বারি ...মখা লমায় ৫দা...

# জিরিবামগী এস পি সস্পেন্দ তৌদ্রিবা ফাওবা পোৎ পুবা গাড়ীশিং ষ্টিয়ারিং থাদোক্লগনিঃ ঐচ রঞ্জিৎ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (এস এন এস)ঃ
জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী এস পিনা ট্রক দ্রাইভরশিংদা তৌরোইদবা হরাষ্টমেন্ট পীরিবা অসিগী মায়োক্তা এস পি সস্পেন্দ তৌদ্রিবমখৈ জিরিবামদগী ইম্ফাল চঙগদবা অমসুং ইম্ফালদগী জিরিবাম চৎকদবা গাড়ী অমত্তা চৎলরোই, ষ্টিয়ারিং থাদোক্লগনি হায়না টি দি সিগী প্রসিদেন্ট হিজম রঞ্জিৎনা ফোঙদোরক্লি।

টি দি সিগী প্রসিদেন্ট হিজম রঞ্জিৎনা পাউমীশিংগা উন্নবদা হায়, নেসনেল হায়ৱে ৩৭তা পোৎ পুরগা লাকপা গাড়ী অমা লম্বী অসিদা পুত্থদুনা লৈবগী মতাংদা লৈঙাক্কী মকোক থোংবশিংনা মীৎয়েং চঙলকপদা এস পি জিরিবামনা পুত্থরিবা গাড়ী অদু ওভরলোদ ওইবদগীনি হায়না ফোঙদোরকপা ৱাফম থেংনরে।

তোঙান–তোঙানবা ষ্টেটশিং ফাওদুনা মণিপুর মীয়ামগী চানা–থক্নবা অমসুং শীজিন্ননবা পোৎলমশিং পুশিল্লকপা গাড়িশিং মণিপুরদা অমুক ...মখা লমায় ৫দা...

# এন আর সি তৌদনা সেন্সস, দিলিমিটেসন পাঙথোকপা য়ারোইঃ য়ু এন সি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (এস এন এস)ঃ
মণিপুরদা নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজেন্স (এন আর সি) অপদেট তৌদ্রিবা মখৈ ষ্টেট অসিদা সেন্সস অমদি দিলিমিটেসন পাঙথোকপা য়ারোই হায়না য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সি) গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি ঐচ জেমস হাউনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ১৯৫১ দা বেজ ইয়ার ওইরগা খুদক্তা এন আর সি অপদেট তৌদুনা মীতোপ মীয়ানচাশিং খন্দোক্তুনা মরমদমদা হলহনখিগদবনি। এন আর সি তৌবা হেক লোইদ্রিবা মখৈ সেন্সস অমদি দিলিমিটেসন পাঙথোকপা য়ারোই। লোয়ননা ভেরিফিকেসন তৌদনা রেন্দম ওইনা ভিল্লেজ রেকোগনিসন তৌরিবা অসি লেপকদবনি হায়বনচিংবা দিমান্দ তৌরি। ...মখা লমায় ৫দা...

# সোনিয়া গান্ধিনা পি এম ওইখিদবগী লাইরিক ফোঙলগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৮ (এস এন এস)ঃ
কোংগ্রেসকি হান্নগী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিনা করিগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিদবনো হায়বগী মতাংদা ময়েক শেংনা মরম য়াওবা লাইরিক অমা নবেম্বর ১০ দা ফোঙলগনি হায়রি।

সোনিয়া গান্ধিগী রাজনিতিগী পুন্সিদা থেংনখিবা পুন্সি ৱারিদা য়ুম্ফম ওইবা ‘বিলোংগিংঃ এ জর্নি ওফ লভ’ হায়না মিংথোনবা পব্লিসর এ নোফনা ফোঙগদৌরিবা লাইরিক অসিদা কেমব্রিজ য়ুনিভর্সিটিদা রাজিভ গান্ধিগা খঙনরকখিবা অমদি ২০০৪ দা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবগী তাঞ্জা ফংখ্রবসু মহাক্না ফম অসিবু থাদোকখিবগী ৱারি পূন্নমক য়াওগনি।

লাইরিক অসিগী মতাংদা সোনিয়া গান্ধিনা ফোঙদোকখিবদা লাইরিক অসিদা গান্ধি ফেমিলিনা মীওইবা খুন্নাইগীদমক কৎথোকখিবা ৱারিশিং য়ান্না ময়েক শেংনা উবা ফংগনি হায়রি।

# লালহৌবা ২ সেক্যুরিটিশিংনা ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (এস এন এস)ঃ
সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা য়ু এন এল এফ (কে)গী এক্টিভ কাদর ১ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নম্বোল চিংমাংদগী ফাখ্রে। ফারবা এক্টিভ কাদর অদু মমিং তোম্বা (২২) এলাইজ ইতোম্বা কৌই। মহাক খাবম বমদিয়ার ময়াই লৈকাইদগীনি।

নাকল অমরোমদা, কে সি পি–পি দব্লীউ জিগী খ্বাইরাকপম মালেম চাওবা (২৯) কৌবা কাদর অমসু কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাইদগী ফাখ্রে। মহাক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা থাঙ্গ ওইনাম লৈকাইদগীনি। অপোকপগী মিংনা খ্বাইরাকপম নবকুমার কৌই হায়রি।

# ষ্টেট খুদিংমক্তা গভর্ণমেন্টকী কেন্সর সেন্টর থল্লকপা য়ানা লৈরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (এস এন এস)ঃ
লৈবাক অসিদা লৈরিবা কেন্সর পেসেন্টশিংনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগী য়েংলগা ষ্টেট ২৮ মক্তা গভর্ণমেন্টগী কেন্সর সেন্টরশিং থল্লকপা য়ানা লৈরে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ষ্টেট ২৮ দা গভর্ণমেন্টগী ওইবা কেন্সরগী অনা লায়েংনবা হব স্পোক নেটৱার্ক দিভেলপ তৌনবা সেন্টর গভর্ণমেন্টদা তকশিনবসু হৌখ্রে। পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটিনা ষ্টেট খুদিংমক্তা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল অমদা কেন্সরগী সেন্টর থন্নবা অমদি এমস, গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজ নত্রগা গভর্ণমেন্ট হেল্থ ইন্সটিট্যুসনগা কনেক্সন লৈহন্নবসু তকশিনখিবনি।

পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটিনা কেন্সরগী টেষ্ট, লায়েংবা, ট্রেনিং অমদি ...মখা লমায় ৫দা...

# ‘মীখলদা ব্লেক মনি শীজিন্নবগী কেস ৱিদ্রো তৌবদা ঐচ সিগী অয়াবা লৌগদবনি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (এস এন এস)ঃ
মীখলদা ব্লেক মনি শীজিন্নবগী কেসশিং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ৱিদ্রো তৌবদা মরি লৈনবা হায় কোর্টতগী অয়াবা হান্না লৌগদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোরকখ্রে।

পনবা য়াবদি লৈবাক অসিদা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা মীখলশিংদা ব্লেক মনি শীজিন্নরম্বগী কেস কয়াদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কেস অদু অমুক ৱিদ্রো তৌবগী থৌদোক অসি অদুমক থোক্তুনা লাকখিবনি। জষ্টিস সঞ্জয় করোল অমদি জষ্টিস এন কে সিংহগী বেঞ্চ অমনা চৎন কাঙলোন অসি মীখল থেংনরিবা কেন্দিদেটশিংদসু এপ্লায় তৌগদবনি। কাঙলোন অসি মীখল থেংনরিবা মীওইশিংদা অচান–মীরাই নাইদনবগী থবক তৌরকপদা অচৌবা খোঙথাং অমা ওইগনি। মীখল থেংনরিবা কেন্দিদেট অদুসু ক্রিমিনেল কেসশিংদা ...মখা লমায় ৫দা...

# কে সি পি তাইবংঙানবা গ্রুপকী চিয়ারমেন য়াওনা কাদর ৪৬ খূৎলায়গা কোন্না লৈঙাক্তা চঙজখ্রে

## য়ারগদি বন্দ নত্তবা অতোপ্পা খোঙজং অমা তৌঃ য়ুম্নাম খেমচান্দ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (এস এন এস)ঃ
এন আর সি তৌবা হায়বসি লৈঙাক্নসু সপ্পোর্ট তৌরগা লাকপনি। মমাঙদসু এসেমব্লি মীফমদা রিজোলুসন পাস তৌদুনা সেন্তরদা থাখিবসু লৈ। ইশু অসিগী মতাংদা বন্দ তৌদুনা লম্বী থিংবা অসি নোংমগী চরা তাল্লিবশিংদা চাউনা অৱাবা পীবগা লোয়ননা মহৈরোই খূন্নাইগী পূন্সিদা অকায়বা পী। মরম অদুনা য়ারগদি বন্দ নত্তবা অতোপ্পা এজিটেসন ওইনা তৌ হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা কংলৈপাক কম্যুনিটি পার্টি তাইবংঙানবা গ্রুপকী চিয়ারমেন য়াওনা কাদর ৪৬ খুৎলায়গা কোন্ননা লৈঙাক্তা চঙজবগী হোমকমিং সেরিমোনি ঙসি অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।



মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টরনা লাওথোকখিবা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা খূৎলায় পায়বশিং সরেন্দর তৌ হায়খিবগী মতুংদা ঙসিগী হোম কমিং সেরিমোনি অসি পাঙথোকপনি। ঙসিগী হোমকমিং সেরিমোনি অদুদা কে সি পি তাইবংঙানবা গ্রুপকী চিয়ারমেন হাওবিজম দিলিপ য়াওনা গ্রুপ অসিগী কাদর ৪৬ খুৎলাই ২০গা লোয়ননা লৈঙাক্তা চঙজখি। লোয়ননা সরেন্দর তৌবগী য়ানা চে লৈঙাক অমদি কে সি পি তাইবংঙানবা গ্রুপকী মরক্তা সাইন তৌনখি।

থৌরম অসিগী অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা সি এম য়ুম্নাম খেমচান্দনা হায়, চহী ৩গী মমাঙদা থোকখিবা ক্রাইসিসতুনা খুৎতা নোংমৈ পায়নিংবগী ৱাখল ফাওহনখিদুনা য়াওখিবা ময়াম অমগী মমিসু তায়। হান্নগী পূন্সি মরেলদা হল্লক্নবগী থৌরাংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংগনি। খুৎলায় পায়বা অমদি খুৎলায়গী মপালনা চাউখৎপা লমদম অমা ওইবা য়ারোই। মসি খন্থরগা থোল্লক্লিবা ইচিল ইনাওশিংবু থাগৎলি হায়খি।

ঙসিগী হোমকমিংগী থৌরম অসি রিহেবিলিটেসন পোলিসি ২০১৮গী মখাদনি। পোলিসি অসিগী মখাদা থা ৩৬কী ওইনা কাদরশিংদগী ...মখা লমায় ৫দা...

### হেক্তা হায়জিনবা

## ঙাওহল্লো

ঙাওহল্লো ঐবু ঙাওহল্লো
মঙবমখৈ ঙাওহল্লো
লৈঙাকপৈ ওইদ পাদ তাদনবা
কুকি লানগী পাও তাদনবা
লুপশিংগী খোল্লাও তাদনবা
অখণ্ড অহৈ শাবশিংগী মৱা তাদনবা
ঙাওহল্লো ঐবু ঙাওহল্লো
মঙবমখৈ ঙাওহল্লো
লান্দাগদৌবা কুকিসু লান্দাসনু
থীংনিংবা হায়ৱে থীংসনু
নোংমৈ পায়বনা চাওসনু
দিমান্দ লেটরনা ৱাই চাইসনু
শেন্থৌ বোম মরাং কায়সনু
অঙম অঙম্বা তৌনরসনু
অমতা খঙনিং তানিংদ্রে
মঙবমখৈ ঙাওহল্লো
ঙাওহল্লো ঐবু ঙাওহল্লো

সনালৈবাক কী টেলিফোন নম্বরশিংঃ সার্ক্যুলেসন অমসুং ওফিসকীনা 8787846223 দা, গ্যাসকীনা, 9402247588 দা, ঈ–পাউগী ওইনা 8830812368 দা, এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9436829185 দা পাউ পীবিবা য়াগনি

[illegible]



[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]



[illegible]

[illegible]


[illegible]

M/S BEE BRICK FIELD

Wangjing Sabal Checkon Leikai

| Class | Rate | No. Of Bricks | Total Amount | Trns./Labour Charge (Rs.) | Total (Rs.) |
|---|---|---|---|---|---|
| 1st Class | 12.50 | 1,500 | 18,750 | 3,500 | 22,250 |
| | | 2,000 | 25,000 | 3,500 | 28,500 |
| 2nd Class | 12.00 | 1,500 | 18,000 | 3,500 | 21,500 |
| | | 2,000 | 24,000 | 3,500 | 27,500 |
| 1st Reject | 11.00 | 1,500 | 16,500 | 3,500 | 20,000 |
| | | 2,000 | 22,000 | 3,500 | 25,500 |
| Jhamat | 10.00 | 1,500 | 15,000 | 3,500 | 18,500 |
| | | 2,000 | 20,000 | 3,500 | 23,500 |
| 1st P.T | 10.00 | 1,500 | 15,000 | 3,500 | 18,500 |
| | | 2,000 | 20,000 | 3,500 | 23,500 |
| 2nd P.T | 8.50 | 1,500 | 12,750 | 3,500 | 16,250 |
| | | 2,000 | 17,000 | 3,500 | 20,500 |
| 3rd Class | 6.50 | 1,500 | 9,750 | 3,500 | 13,250 |
| | | 2,000 | 13,000 | 3,500 | 16,500 |
| 1st Checktek 407 | | | 4,500 | 3,500 | 8,000 |

Please Contact:
7005513073 / 8798623465

– SL/Sush/5 Aug-3 Sep/alt


## ঙসিগী রাশি ফল (১৯-০৮-২০২৬)

**ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)**

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** হোৎনরুবা অয়াম্বা অপনবা য়ৈখায়বা থেংনরগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। গাড়ী তপ্পা থৌগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল ফকচিনগনি।

**বৃষঃ** চরক চহিং নাইবা মরক্তা থৌরম খরদি পাঙথোক্কনি। শেল চৎপা, ৱাখল চঙবা থবক্না হেন্না থেংনবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী –হোৎননিংগনি।

**মিথুনঃ** পূক্নিং ৱাখল নুংঙাইবা, হোৎনজমন কান্নবা, মরুপ মফম ফগৎপা, লুচিংবশিং লমলানবশিংনা চানবিবা নুমিৎনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**কর্কটঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, থবক মায় পাকচবা, মিংচৎ হেনগৎপা, চাংয়েংনবদা অফবা ফল ফংবা ওইরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

**সিংহঃ** অশাওবনা মাঙজগনি। গাড়ী তপ্পা থৌগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। অচৌবনা চানবিরবসু শাগৈনা য়েংথিগনি। চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – চরাংনগনি।

**কন্যাঃ** তিন্নবশিংনা অর্থ লান্না লৌবিবা, তোখাই তাবা, য়েৎশিনবা হেনগৎপা ওইরগনি। চঙজরকপা কনখৎলুগনু। লমতু চৎপা হৈ শিংগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**তুলাঃ** পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইথক থোংবশিংনা চানবিরগনি। শেল ফংবা, অচৌবা পোৎ লৈবা য়াবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

**বৃশ্চিকঃ** থবক্তা মায় পাকচবা, মিংচৎ হেনগৎপা, শক খঙবিবা হেনগৎপা, মতেং পীবিবা য়াম্বা, লমতু চৎপা মী তিন্নবা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী– লৌশিং হেনগৎলগনি।

**ধনুঃ** হকচাং ৱাখল ফবা ৱাৎলগনি। থবক্তি মায় পাক্লগনি। লুচিংবশিংনা চানবিবা, শাগৈনা য়েংথিবা নুমিৎনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত খেন্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংলোই।

**মকরঃ** মুন্না খল্লগা থবক তৌবনা অফবা ওইরগনি। শেল ফংবা খরা চৎপা তৌরগনি। লমলানবশিংনদি চানবিরগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**কুম্ভঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, থবক্তা মায় পাকচবা, শেল ফংবা, মকোক ওইবশিংনা নুংশিবিবা, অরাপ্পা চৎপা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী– হোৎননিংগনি।

**মীনঃ** হকচাং ফগৎনবা হোৎনজগনি। পাঙথোকপদা লুনা থোকপা পাঙথোক্লগনি। শেল ফংবা, মমল য়াম্বা পোৎ লৈবা য়াবা নুমিৎনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

## SANA - SUDOKU


*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1053**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 1 | | 6 | 3 | 9 | | |
| 3 | 9 | | | 4 | | | | 6 |
| 4 | 2 | 6 | 8 | | | | | |
| | 1 | 3 | | 9 | | 4 | | |
| | 5 | 4 | 3 | | | | 6 | |
| 6 | | | | | 4 | | 1 | 3 |
| 9 | | | | 3 | | | 2 | 1 |
| 7 | | | | | 6 | | 4 | |
| 1 | | | 4 | | | 3 | | |

সনা-সুদোকু-১০৫৩গী সোল্যুসন লমাই ৭দা

# লৈবাক অসিদা লৈবা এম পি অমদি এম এল এ কয়াগী মথক্তা চহী ১০ হেল্লবা কেস য়াওনা পূন্না কেস ৪,১৯২ পন্দুনা লৈরি হায়না সুপ্রিম কোর্টতা রিপোর্ট তৌখ্রে




ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):
লৈবাক অসিদা পাঙথোকপা মীখলদা মায় পাক্তুনা হৌজিক হৌজিক সিটিং এম পি অমদি এম এল এ ওইরিবা অমসুং হান্নগী এম পি অমদি এম এল এ কয়াশিংগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা লিগেলগা মরী লৈনবা কেস ৪,০০০ হেন্না পন্দুনা লৈরি। পন্দুনা লৈরিবা কেস কয়াশিং অসিগী মনুংদা চহী ১০ হেল্লক্লবা কেস কয়াসু য়াওরি হায়না সুপ্রিম কোর্টতা রিপোর্ট পীশিনখ্রে।

সেনিয়ার এদভোকেট বিজয় হন্সারিয়ানা সুপ্রিম কোর্টতা পীশিনখিবা রিপোর্ট অদুদা হৌজিক হৌজিক এম পি অমদি এম এল এশিং থারগা হান্নগী এম পি অমদি এম এল এশিং য়াওনা মখোয়গী মথক্তা পূন্না কেস ৪,১৯২ মরীলৈনবা কোর্টশিংদা মখা তানা হিয়ারিং চথবা ঙমদনা পন্দুনা লৈরি। হায়রিবা অপূনবা পন্দুনা লৈরিবা কেস ৪,১৯২ অসিগী মনুংদা পূন্না কেস ৫১৯দি হৌখিবা চহী ১০ হেন্না তোঙান তোঙানবা কোর্টশিংদা পন্দুনা লৈবা থেংনরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল)গী এমিকস ক্যুরি ওইনা এপোইন্ট তৌখিবা সেনিয়ার এদভোকেট বিজয় হন্সারিয়ানা এমিকস ক্যুরি ওইবগী খুদোঙচাবা লৌদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা এম পি অমদি এম এল এশিংগী মথক্তা মতম কয়াগী মমাঙদগী পন্দুনা লৈরিবা কেসশিং অসি অথুবা মতমদা মথৌতাবা হিয়ারিং চথদুনা দিস্পোজেল তৌনবা সুপ্রিম কোর্টতা রিপোর্ট পীশিনখিবনি।

সেনিয়ার এদভোকেট বিজয় হন্সারিয়ানা সুপ্রিম কোর্টতা পীশিনখিবা রিপোর্ট অদুদা মখা তানা হায়, তোঙান তোঙানবা এম পি অমদি এম এল এ কয়াগী মথক্তা পন্দুনা লৈরিবা অপূনবা কেস ৪,১৯২ অসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা এম পি অমদি এম এল এশিংগা মরী লৈনবা পূন্না কেস ৭০০ মথৌতাবা ইনভেষ্টিগেসন পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরি।

অসিদা নৎতনা পূন্না কেস ৩৬০দি হৌখিবা চহী ৩ হেল্লক্লবা ফাওবা ঙসি ফাওবা চাজর্সিট ফাইল তৌদনা লৈরি হায়না ফোঙদোক্লি।

হন্সারিয়ানা সুপ্রিম কোর্টতা পীশিনখিবা এমিকস রিপোর্ট অদুদা লৈবাক অসিদা লৈবা এম পি অমদি এম এল এশিংগী মথক্তা পন্দুনা লৈরিবা অপূনবা কেস ৪,১৯২ অসি তোঙান তোঙানবা হায় কোর্ট অমদি মরীলৈনবা ৱেবসাইটতগী ফংবা দাটাদা য়ুমফম ওইরগা লেপ্পনি।

এলাহাবাদ হায় কোর্টকী মায়কৈদগী হিরম অসিগী মতাংদা মথৌতাবা রিপোর্ট অমত্তা সম্মিট তৌদনা লৈরি। অদুবু হৌখিবা চহী ২০২৪গী ফেব্রুৱারি থা ফাওবগী ওইনা এল্লাহাবাদ হায় কোর্টকী লৈরিবা ৱেবসাইটকী মতুং ইন্না পূন্না ১,১৭১ কোর্টতা পন্দুনা লৈরি হায়না রিপোর্ট তৌবা থেংনরি।

লৈবাক অসিদা লৈবা হায় কোর্টকী ৱেবসাইটশিংগী মতুং ইন্না ঙসিসু পূন্না ৪,৪৪২ কেস পন্দুনা লৈরি।

রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ২৮গী লৈরিবা চীফ মিনিষ্টরশিংগী মনুংদা ষ্টেট ১৪গী চীফ মিনিষ্টরশিংগী মথক্তা ক্রিমিনেল কেস কয়া হিয়ারিং চথবা ঙমদনা পন্দুনা লৈরি হায়না ফোঙদোক্লি।

টেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর এ. রেবন রেদ্দিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা চার্জকা মরী লৈনবা পূন্না কেস ৮৯ মায়োক্নদুনা লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী মশিং য়ান্না কেস মায়োক্নবা চীফ মিনিষ্টর ওইরি।

মহাক্কী মতুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর সুবেন্দু অধিকারিনা পূন্না কেস ২৯, কর্নাতকাগী চীফ মিনিষ্টর দি কে শীবকুমার, অন্ধ্র প্রদেশকী সি এম চন্দ্রবাবু নাইদুনা কেস ১৯ মায়োক্নদুনা লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী মশিং য়ান্না কেস মায়োক্নবা অনিশুবা চীফ মিনিষ্টরশিং ওইরি। মসিগী মতুং কেরলাগী চীফ মিনিষ্টর ভি দি সাথিসননা পুন্না কেস ১৮ মায়োক্নদুনা ৩শুবা খ্বাইদগী মশিং য়ান্না কেস মায়োক্নবা সি এম ওইরি।

এম পি অমদি এম এল এশিংগী মথক্তা পন্দুনা লৈরিবা অপূনবা কেস ৪,১৯২ অসিগী মনুংদা কেস ৭৫৪দি হৌখিবা চহী ৫দগী ১০ ফাওবগী মনুংদা পন্দুনা লৈরি, কেস ৫৬২না হৌখিবা চহী ৩দগী ৫ ফাওবা অমসুং কেস ১০৯২না চহী ৩ ফাওবগী মনুংদা পন্দুনা লৈবা কেসশিং ওইরি। অদুগা হায়রিবা কেসশিং অসিগী মনুংদা উত্তর প্রদেশতা কেস ১,১৭১, কেরলাগী কেস ৫৪৩, মহারাষ্ট্রগী কেস ৩৬৪ অমদি ওরিসাগী ওইনা কেস ৩৩০নি হায়রি।

এমিকস হন্সারিয়ানা হৌখিবা চহী ৩গী মথক্তা এম পি অমদি এম এল এশিংগা মরী লৈনবা পন্দুনা লৈরিবা কেসশিং অসি নুমিৎ খুদিংগী হিয়ারিং চথদুনা অথুবা মতমদা হায়রিবা কেসশিং অসি দিস্পোজেল তৌনবা সুপ্রিম কোর্টতা তকশিনখি।

# খরগেনা অমিত শাহবু করেম কথাইনরদুনা মহাক্লা অহানবা এম এল এ ওইবা মতমদা পেট্রিয়টিজম তাক্লিবা অমিত শাহ অঙাং ওইরি হায়না ফোঙদোকখ্রে





ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):
হৌখিবা থা অসিগী ১৫দা পাঙথোকখিবা ইন্দিপেন্দেন্স ডে থৌরমগা মরী লৈননা এ আই সি সিগী হেদক্বার্টরদা পাঙথোকপা ইন্দিপেন্দেন্স ডেগী থৌরম মনুং চন্না নেসনেল সোং বন্দে মাতরম শক শোল্লিঙৈ কোংগ্রেস পার্টিগী লিদর সোনিয়া গান্ধীনা উৎখিবা থৌওং অদুবু হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু রিয়েক তৌরদুনা কোংগ্রেস পার্টিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট মালিক আর্জুন খরগেনা মহাক্লা অহানবা মীখলদা মায় পাক্তুনা এম এল এ ওইবা মতমদা ঙসি লৈবাক মীয়ামদা পেট্রিয়টিজমগী মতাংদা তাক্লিবা হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ অঙাং ওইরি হায়না করেম কথায়নখ্রে।

গৱাদা পাঙথোকপা পব্লিক রেল্লি অমদা ৱা ঙাংলদুনা কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট মলিক আর্জুন খরগেনা হায়, হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধীগী মায়োক্তা নৎতনা গান্ধী ফেমিলিগী মায়োক্তসু ৱা কায়া ঙাংলি। ঐহাক্লা মীখল মায় পাক্তুনা অহানবা ওইনা এম এল এ ওইবা মতমদা অঙাং ওইরিবা অমিত শাহনা ঙসি লৈবাক মীয়ামদা পেট্রোয়টিজম তাক্লিবা অসি অঙকপনি।

হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা সোনিয়া গন্ধীগী মথক্তা শীরক্লিবা মরাল অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মালিক আর্জুন খরগেনা মখা তানা হায়, সোনিয়া গান্ধীনা মলিক আর্জুন খরগেগী ফম্নবা চৌক্রি থৌরাং তৌনবা ফোঙদোকখিবনি।

নুমিৎ অদুদা নেসনেল সোং বন্দে মাতরম হৌবদগী লোইবা ফাওবা শক শোনখি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি মতম কয়াগী মমাঙদগী কোংগ্রেস পার্টিনা বন্দে মাতরমগী অইবা রবিন্দ্রনাথ তেগোরনা নেসনেল সোং অসিগী লৈরিবা অহানবা ষ্টেঞ্জা খক্তমক শক শোন্নবা খঙহল্লমখিবা লৈখি হায়না তাঙ্কক কয়ারক্তা ফোঙদোকখিবদি লৈখ্রবনি।

# ইন্দিপেন্দেন্স ডেগী থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ফোঙদোকখিবা ৱারোলনা মরম ওইরগা দিমাগি নক্সল পার্টি ময়োল চোংলকখ্রে






ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):
থা অসিগী ১৫দা পাঙথোকখিবা ইন্দিপেন্দেন্স ডেগী থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা 'দিমাগি নক্সল' হায়বা ফ্রেজ অমা শিজিন্নখিবা অদুগী মতুং লৈবাক অসিদা সাতায়রিকেল পোলিটিকেল দিমাগি নক্সল পার্টি কৌবা আউটফিদ অমা তোঙান তোঙানবা সোসিয়েল মেদিয়াগী লৈরিবা প্লেটফোর্মশিংদা নৌনা ময়োল চোংলকপা থেংনখ্রে।


প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিপেন্দেন্স ডেগী থৌরমগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৈবাক অসিগী উমঙ ৱামঙশিংদা খূৎলাই পায়দুনা লান হৌরম্বা নক্সলশিংবু মরুফংনা মুখৎপা ঙল্লে। অদুবু খূৎলাই পায়বা নক্সল গ্রুপ মরুফংনা মুখৎপা ঙমখ্রবসু দিমাগি নক্সনলদি ঙসিসু লৈবাক অসিদা লেংদনা লৈরি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং তোঙান তোঙানবা সোসিয়েল মেদিয়াগী লৈরিবা প্লেটফোর্মশিংদা 'দিমাগি নক্সল পার্টি' কৌবা অনৌবা সতাইরিকেল পোলিটিকেল আউটফিদ অমা হাংলকখিবনি।

হৌজিক ফাওবগী সোসিয়েল মেদিয়া প্লেটফোর্ম এক্সতা দিমাগি নক্সল পার্টিদা মীওই ২০,০০০ অমদি ইনষ্টাগ্রামদা মীওই লাক্ষ ৪ হেনবনা ফোলো তৌবা থেংনখ্রে।

নাকল অমরোমদা কোংগ্রেস পার্টিগী লিদর চিদম্বরমনা দিমাগি নক্সল ওইবগী চাওথোকচবা ফাওই হায়না ফোঙদোরকখিবসু লৈখ্রে।

পনবা য়াবদি হৌখিবা চহী অসিগী মে থাদা চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া সুরিয়া কান্তনা লৈবাক অসিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা সোসিয়েল মেদিয়াগী প্লেটফোর্মশিংদা কোক্রোস জনতা পার্টি কৌবা সতায়রিকেল পোলিটিকেল আউটফিদ অমা নৌনা লোঞ্চ তৌরকখিবা লৈখ্রে।

মে ৩দা পাঙথোকপা নীট-য়ু জি এগজাম পেপর লিক ওইবগী ৱাথোক্কী মতাংদা কোক্রোস জনতা পার্টিনা লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফম থাদোক্কদবনি হায়না মশিং য়াম্লবা মহৈরোইশিংনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা চংশিল্লকখিবা খোঙজং অদুনা মরম ওইরগা ধর্মেন্দ্র প্রধান ইজুকেসন মিনিষ্টরগী ফম ফাওবা থাদোকখিবা লৈখ্রে।



Crossword # 1120

Across
1. More angry
6. Faction
10. Complain
14. Nurse ____ Barton
15. District
16. Out of port
17. Metal bolt
18. Wavering
20. "____ Maria"
21. Come back in
23. Fruit punch
24. Of the mind
26. Desertlike
28. Peaks
31. Eave hanger
35. Traditional saying
38. Example
40. Display
41. Lure
42. Opera highlights
43. Roof part
44. She, in Marseille
45. Respiratory organ
46. Devourer
47. Render harmless
49. Adolescents
51. Steak, e.g.
53. Felt dizzy
57. Linger
60. "Is no meal" for "semolina", e.g.
63. Jug handle
64. Ready for use
66. Picture
68. Metallic element
69. For both sexes
70. Alleviates
71. Outer limit
72. Male descendants
73. Clairvoyants

Down
1. Vamoose!
2. Cook's oil
3. Crowlike bird
4. Before, to Keats
5. Daily grind (2 wds.)
6. Vault
7. Tehran's land
8. Letter after gamma
9. Restaurants
10. Motor vehicle
11. China's locale
12. Rip apart
13. Senate messenger
19. Rock's ____ Clapton
22. Stately tree
25. Wrestling duo (2 wds.)
27. Ailment
29. Unbleached color
30. Holy person
32. Converse
33. Adoration
34. Washstand item
35. Sleeping
36. Surrealism's Salvador ____
37. Feels unwell
39. Cooking herb
42. Yearly publications
46. Foes
48. Not fake
50. Memorable time
52. Prohibition
54. Rent contract
55. Zealous
56. Woman's garment
57. Lounge around
58. Eager
59. Group of crooks
61. Secluded valley
62. Cincinnati team
65. Frozen water
67. Bombshell ____ West

পাউখুম লমায় ৭দা ...

# সি আই দিনা সাইবর ক্রিমিনেল অমা ফারে

গুৱাহাতি, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):
তোঙান-তোঙানবা সাইবর ক্রাইম কেস ১০৯০দা চেন্নবা মশাগী চহী ২৫তা ঙাইরিবা অসামগী রাফিকুল অলম কৌবা মীওই অমা গুজরাত সিআইদিনা ফাখ্রে।

মশিং য়াম্লবা সাইবর ক্রাইমদা চেন্নদুনা ফারবা রাফিকুল অলম চাইনাদা বেজ তৌবা সাইবর ক্রিমিনেলশিংগা অফবা মরী থমদুনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী পূন্না লুপা ক্রোর ১,০৭১.৫কী শেনফম আইন কায়না খোমগৎলম্বদা চেন্নবা মীওই অমনি হায়নসু সি আই দিগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# অসাম থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহনখ্রে



গুৱাহাতি, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):
অসামগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ওফ সাউথ সালমারা-মনকাসার দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিনা আইন কায়না অসামদা চংশিলক্তুনা লৈরিবা বঙ্গলাদেস নেসনেল অমবু ইমিগ্রেন্ট (এক্সপলসন ফ্রোম অসাম) এক্ট, ১৯৫০গী সেক্সন ২(বি)গী মখাদা খুদক্তগী অসাম থাদোক্তুনা মশাগী মরমদম বঙ্গলাদেসতা হনখিনবা নোটিফিকেসন থোক্তুনা খঙহনখ্রে।

অসাম থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহনখিবা বঙ্গলাদেশ নেসনেল অদুগী মমিং মোহম্মদ মসুদ এলাইজ মিষ্টর (২৪) কৌই। মহাক হৌখিবা জনুৱারি ১৩দা অসামগী ঙমখৈ আইন কায়না চংশিলক্লবা হোৎনরিঙৈ বি এস এফনা ফাদুনা লিগেল প্রোসিদিং চথদুনা লাকখিবনি।

| সনা-সুদোকু-১০৫৩গী সোল্যুসন | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 8 | 1 | 2 | 6 | 3 | 9 | 7 | 4 |
| 3 | 9 | 7 | 1 | 4 | 5 | 2 | 8 | 6 |
| 4 | 2 | 6 | 8 | 7 | 9 | 1 | 3 | 5 |
| 8 | 1 | 3 | 6 | 9 | 7 | 4 | 5 | 2 |
| 2 | 5 | 4 | 3 | 8 | 1 | 7 | 6 | 9 |
| 6 | 7 | 9 | 5 | 2 | 4 | 8 | 1 | 3 |
| 9 | 4 | 5 | 7 | 3 | 8 | 6 | 2 | 1 |
| 7 | 3 | 2 | 9 | 1 | 6 | 5 | 4 | 8 |
| 1 | 6 | 8 | 4 | 5 | 2 | 3 | 9 | 7 |

# 'খোঙজংলোইশিংনা লাকশিনবদগী তঙাইফদনা এ কে-৪৭ শিজিন্নখিবনি, অশোক অপন থোকখিবা লৈতে'





ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):
হৌখিবা জুলাই থাদা বিহারদা লৈবা মশিং য়াম্লবা মহৈরোইশিংনা লৈঙাক্কী মথক্তা চংশিনখিবা খোঙজংদা বিহার পুলিসনা এ কে রাইফল শিজিন্নদুনা নোংমৈ কাপখিবা অদু তঙাইফদনা খোঙজংলোইশিংদগী নাম্বোক্লবা হোৎনবদা পুলিসনা শিজিন্নখিবনি। থৌদোক অদুদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা অশোক অপন নংখিবা লৈতে হায়না বিহার লৈঙাক্লা সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখ্রে।

মহৈরোইশিংনা চংশিনখিবা খোঙজং অদুদা বিহার পুলিসনা মরম চাদনা অহেনবা থৌওং কয়া চথখি হায়না মরাল শীরকখিবা ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা বিহার লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সুপ্রিম কোর্টতা পীশিনখিবা ইফিদিবিট অমদা লো এন্দ ওর্দর ঙাক শেন্দুনা থম্নবা হোৎনবদা মথৌতাবা অদুগী মতুং ইন্না পুলিসকী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা খোঙথাং লৌখৎপা য়াবগী অয়াবা পীরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

বিহারগী পুলিস ওফিসার সিৱান কৌবা মীওই অমনা খোঙজংলোইশিংগী মথক্তা এ কে-৪৭ কাপ্তুনা খোঙজংলোইশিংবু তানখায়খিবগী সোসিয়েল মেদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখিবা ভিদিও অদুগী মতাংদা বিহার লৈঙাক্লা মথৌতাবা থবক লৌখৎতুনা মরীলৈনবা পুলিস ওফিসার অদু সস্পেন্দ তৌখ্রে। অসিদা নৎতনা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী পুলিস ওফিসার অদুগী মথক্তা দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারি চথরি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা এ কে -৪৭ শিজিন্নবগী মতাংদা দি জি পিগী মায়কৈদগী মথৌতাবা নোটিফিকেসন থোকখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

খোঙজং অদুদা নোংমৈনা পান্দুনা শোকখিবা খোঙজংলোই ৩ অদু এ কে-৪৭ রাইফলসকী মরুনা পান্দুনা শোকখিবা নৎতে। এ কে-৪৭না মরম ওইরগা মীওই অমত্তা অশোক অপন নংখিবা লৈতে হায়না বিহার লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সুপ্রিম কোর্টতা মখা তানা থমখি।

# থৌরি য়ান্দুনা হাৎপগী মহুৎ লিথেল ইঞ্জেক্সননা মহুৎ শিন্নবা থারকপা পি আই এল দিসমিস তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):
মরালগী মতুং ইন্না শিবগী চৈরাক পীরবা প্রিজিনরশিংবু থৌরি য়ান্দুনা হাৎপগী মহুৎ ইন্ট্রাভেনস লিথেল ইঞ্জেক্সন তৌদুনা শিবগী চৈরাক পীনবা থারকখিবা পি আই এল সুপ্রিম কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টতা চথখিবা হিয়ারিং অদুদা জষ্টিস বিক্রম নাথ অমদি সন্দিপ মেহতাগী বেঞ্চ অমনা হৌখিবা চহী ২০১৮দা শিবগী চৈরাক ফংলবা প্রিজনরশিংবু থৌরি য়ান্দুনা হাৎপদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সপোর্ট তৌরকখিবসু লৈখ্রে।

অসিদা নৎতনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শিবগী চৈরাক ফংলবা মীওইশিংদা লিথেল ইঞ্জেক্সন নৎত্রগা ফয়ারিং তৌদুনা হাৎপা অসিনা মখোয়দা অৱাবা চৈথেং খাঙলোয় হায়বগী চপ চাবা ৱাফম অমত্তা লৈতে হায়না লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু খঙহল্লকখিবা লৈখ্রে।

মরম অদুনা হিরম অসিগী মতাংদা মখা তানা লেজিসলেচরশিংদা ৱারেপ লৌনবা সুপ্রিম কোর্টকী মায়কৈদগী খঙহনবা হায়বা অসি চুনদবা ৱাফম ওইগনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা পি আই এল অদু দিসমিস তৌখিবনি।

পনবা য়াবদি সেনিয়ার এদভোকেন্দ রিসি মলহোত্রানা শিবগী চৈরাক ফংলবা প্রিজিনরশিংবু থৌরি য়ান্দুনা হাৎপগী মহুৎ মশাদা অৱাবা পীদনা লিথেল ইঞ্জেক্সননা মহুৎ শিন্নবা সুপ্রিম কোর্টতা পি আই এল থারকখিবনি।

# ওর্গান ট্রান্সপ্লান্টগী মতাংদা মীয়াম্না খল্লিবা অরানবা ৱাখল্লোলগী মতাংদা এৱ্যারনেস পীদুনা চুমথোকপা মথৌ তাই

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):
হৌখিবা চহী ২০২৫তা লৈবাক অসিদা ওর্গান ট্রান্সপ্লান্টেসনগী কেস রেকোর্দ ব্রেকিং ওইনা মায় পাক্লা চথখি। অদুবু লৈবাক অসিদা ঙসিসু ওর্গান ট্রান্সপ্লান্টেসনগা মরীলৈনবা মশিং য়াম্লবা কেস কয়া পন্দুনা লৈরি। চহী ১ হেন্না ওর্গান দোনেসন ফংদবদগী পেসেন্ট লিশিং কয়া ওর্গান ট্রান্সপ্লান্টেসন তৌনবগীদমক ঙাইদুনা লৈরি।

থাসিগী ১৩দা মালেমগী ওইনা পালন তৌখিবা ৱার্ল্ড ওর্গান দোনেসন ডে থৌরমগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা এক্সপার্টশিংগী মায়কৈদগী লৈবাক অসিদা ওর্গান দোনেসন তৌবগী চাং পোপুলেসনগা য়েংনরুবদা চাদা ১ ফাওবা য়ৌদনা লৈরি।

অকাশ হেল্থকিয়ারদা সেন্টর ফোর লিবর-জি আই দিজিজ এন্দ ট্রান্সপ্লান্টেসন (সি এল দি টি)গী সেনিয়ার কন্সলটেন্ট ওইনা থবক তৌবা ডোক্টর শৌরব সিঙ্গলনা হায়, মতম অমদা লৈবাক অসিদা ওর্গান ট্রান্সপ্লান্টেসনগী কেস ৫,০০০ য়ৌদনা লৈরম্বা অদু হৌখিবা চহী খরা অসিদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, এৱ্যারনেস, অমদি হোস্পিটালগী লৈরিবা কোওর্দিনেসন্না মরম ওইরগা ট্রান্সপ্লান্টেসনগী কেস ২০,০০০ হেন্না লৈরে। অদুবু লৈবাক অসিদা ওর্গান ট্রান্সপ্লান্টেসনগীদমক মথৌতাবা দোনেটৈদ ওর্গান মপুং ফানা ফংবা ঙমদনা লৈরি।



মীওই কয়া ওর্গান ট্রান্সপ্লান্টেসনদগী কান্নবা ফংখ্রবসু মখা তানা ওর্গান ট্রান্সপ্লান্টেসন তৌনবগীদমক মশিং য়াম্লবা পেসেন্ট কয়া ঙাইদুনা লৈনরি। ঙাইদুনা লৈনরিবা পেসেন্টশিং অসিগী মনুংদা পেসেন্ট খরদি ওর্গান ট্রান্সপ্লান্টেসন তৌবগী মতম ঙাইবা ঙমদনা শিরগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ওফিসিয়েল ওইবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না হৌখিবা চহী ২০২৫তা লৈবাক অসিদা পূন্না ২০,১৩৮ ওর্গান ট্রান্সপ্লান্টেসন মায় পাক্লা চথখি হায়রি।

লৈবাক অসিদা থেংনরিবা ওর্গান ট্রান্সপ্লান্টেসনগী অৱাবা অসি মেনখৎনবা মীয়ামদা লৈরিবা অরানবা ৱাখল্লোলশিংগী মতাংদা পাকশন্না এৱ্যারনেস পীদুনা অচুম্বা খঙহনবা মথৌ তাই হায়নসু এক্সপার্টশিংনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# শেঞ্জা থুমজা তৌবগী মরালদা মীওই ৩ সি বি আইনা ফাখ্রে

হায়দ্রবাদ, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):
ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা দিপুটি দাইরেক্টর (দি দি) মাইনিং, দি জি এম এস য়াওনা পূন্না মীওই ৩ শেঞ্জা থুমজা তৌবগী মরালদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসননা ফাখ্রে। শেঞ্জা থুমজা তৌবগী মরালদা সি বি আইনা ফারবা মীওই ৩ অদুদি য়ু. শিবশঙ্কর, দিপুটি দাইরেক্ট (মাইনিং) দি জি এম এস, সিদা ভেনকতা অমদি এ সুভাসকর রেদ্দি কৌই হায়রি।

মাইনিংগা মরী লৈননা শেঞ্জা থুমজা তৌবগী কেসতা ফারবা মীওই ৩ অদুগী মথক্তা সি বি আইনা খুদক্তা কেস অমা রেজিষ্টার তৌদুনা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

# য়ূম নিংখায়বদা চহী ২গী অঙাং লৈখিদ্রে মীওই ২না থিবা খঙদনা লৈরি

ধেরাদুন, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):
উত্তরখন্দগী পাউরি গরৱাল রিজনদা লেপ্পা লৈতনা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা য়ূম নিংখায়বদা মশাগী চহী ২তা ঙাইরিবা অঙাং অমা লৈখিদ্রে। অদুগা ইমুং অদুগী মীওই ২ হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরি।

থৌদোক অদু গরৱাল রিজনগী মনুং চনবা মহরগাও ভিলেজদা থোকখিবনি। য়ূম নিংখায়বগী থৌদোক থোকপগা খুদক্তা মনাক্তা লৈবা মীওইশিংনা ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এস দি আর এফ) অমদি পুলিসলাক্ত্রিঙৈ রেস্কু ওপরেসন থবক চথদুনা নুপী অমা রেস্কু তৌবা ঙমখি। অদুগা মশাগী চহী ২তা ঙাইরিবা অঙাং অদু থৱাই য়াওদ্রবা অশিবা হকচাং ওইনা রিকোভর তৌবা ঙমখিবনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থিবা খঙদনা লৈরিবা ইমুং অদুগী মীওই অনি রেস্কু তৌনবগীদমক মথৌতাবা থবক লেপ্তুনা লৌখৎলি হায়নসু পাউ অসিনা হায়রি।

# হামাজনা নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা খূৎলাই থাদোকপা হৌরগনি হায়না ট্রম্প এনভোয়না হায়রি



টেল এভিব, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি): ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটান্যাহু উন্নরবা তুংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এনভোয় জারেদ কুসনেরনা নিং থৌকাবা নুমিৎতা হামাসনা খূৎলাই থাদোকপগী মায়কৈদা খূৎমাঙ চাওশিল্লে অমসুং গাজা পিছ প্লান অমগা লোয়ননা থা অমগী মনুংদা মাঙলোমদা চংশিনবা য়ারবা য়াই হায়খ্রে।


ঐখোয়না থুনমক নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা, খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদগী খরা লৌথোকপা হৌনবগী অশাগা লোয়ননা খূৎমাঙ চাওশিনবা উরবা য়াই, অমসুং টনেলশিং অদুগী মনুংদগী খরা মেনশিনবা হৌরগনি আশা তৌরি হায়না কুসনেরনা টেল এভিবতা ফোক্স ন্যুজদা হায়খি।

ৱাফমশিং অদু আমেরিকান জেনরেল অমনা হামাজনা খূৎলাই থাদোকপা অদু ভেরিফাই তৌগনি হায়না কুসনের অমসুং নেটান্যাহুনা য়ানখিবগনি হায়না ইজরেলগী ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

মদু নৎত্রিবা ফাওবদি গাজাদগী ইজরেলি ট্রুপশিং লৌথোক্লোই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর অদুনা শিখাং খাংদুনা লৈখিবনি। অরুবা রি-ইলেক্সনগী লানফম অমা মায়োক্লরিবা নেটান্যাহুনা মাঙ–তাক্লিংঙাই ওইরবা গাজা ৱার অদু লোইন্নিবা পান্দম থম্বা য়ু এস প্লান অদুগী খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাং অদু ফোঙনা য়াখিদবা মতুং মসি ইজরেলবু দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসননা পেলহন্নবা অনৌবা হোৎনবা অমনি।

ট্রম্পকী মমাকনুপা অমসুং নেটান্যাহুগী মতম শাংনদগী ইমুং মনুংগী মরুপ অমা ওইরক্লিবা কুসনেরনা ইজিপ্টতা হামাসগা তাঙলবা হকথেংননা ৱারী শান্নখিবগী নোংমগী মতুং জেরুসালেমদা ইজরেলি লুচিংবা অদুগা উন্নখিবনি।

# জিন্নাহগী অনাববু অরোনবা অমা ওইনা থমখিবা মুম্বাই ডোক্টর ২ পাকিস্টানগী হায়েষ্ট সিভিলিয়ান এৱার্দ পীরগনি




ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি): বোম্বে (হৌজিকনা মুম্বাই)দা লৈবা ইন্দিয়ান পার্সি ডোক্টর ২ পাকিস্টানগী ফাউন্দর মোহম্মদ আলি জিন্নাহগী টার্মিনেল ইলনেস দাইগ্নোসিসপু ১৯৪৭দা পার্টিসন মমাঙগী মরুওইবা মতম অদুদা অরোনবা অমা ওইনা থমখিবগীদমক পাকিস্টানগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ান এৱার্দ পীরগনি।

জিন্নাহগী অনাবগী ফিভম অদু শুপ্পগী মাগী ইন্নর সার্কলগী মেম্বরশিং খক্তদা খঙহন্দুনা মখোয়গী থোইদোক হেন্দোকপা সার্ভিস অদুগীদমক ইস্লামাবাদনা নিসান–ই–ইমতিয়াজ এৱার্দকীদমক ফিজিসিয়ান ডো. জল রতনজি পতেল অমসুং রেদিওলোজিষ্ট ডোক্টর জল ধায়বো–কু নোমিনেট তৌরে হায়না ফেদরেল মিনিষ্টর ফোর প্লানিং, দিভলপমেন্ট অমসুং এৱার্দস কম্মিটিগী স্পিসিএল ইনিসিয়েটিবস অমসুং হেদ অহসান ইকবালনা লাউথোকখ্রে।

এক্সতা থাগৎপা পোষ্ট অমদা, অহসান ইকবালনা ডো. পতেল অমসুং ডো. ধায়ভোনা ১৯৪৬তা জিন্নাহগী এক্স –রে একজামিন তৌখি অমসুং মাগী ট্যুবরক্যুলোসিস অদু হেনজিনখ্রে অমসুং মহাক চহী ১ নৎত্রগা ২ খক্তমক হিংলবা য়াই হায়বগী ৱারোয়শিন পীখি হায়খি।

অদুবু মখোয়না মাগী অনাবগী শাথিবা অদুগী মতাংদা প্রোফেসনেল কনফিদিন্সিয়েলিটি হায়বদি, পার্টিসন অমসুং পাকিস্টান শেম্বগী মতম অদু হোংদোক্লম্বা য়াই হায়না হিষ্টরিয়ান কয়ানা থাজখিবা অরোনবা অমা ঙাকখি।

থাগৎনিংঙাই ওইরবা ডোক্টর ২–ফিজিসিয়ান অমা অমসুং রেদিওলোজিষ্ট অমা, অনিমক বোম্বেগী পার্সি কম্যুনিটিগী মীওইনা কুৱাইদ–ই–আজম মোহম্মদ আলি জিন্নাগী টর্মিনেল ইলনেসকী অরোনবা অদু ঙাকখিবগীদমক নিসান–ই–ইন্টিয়াজগীদমক ঐহাক্লা এৱার্দস কম্মিটিগী চিয়ারমেন ওইনা নোমিনেট তৌনবগী খুদোঙচাবা অদু ফংবদা নুংঙাইজে হায়না ইকবালনা ইখি। অসিগুম্বা লুরবা মীৎকুপ অমদা প্রোফেসনেলগী অরোনবা অদু ঙাক্তুনা ডোক্টরশিং অসিনা থোইদোক হেন্দোকপা সার্ভিস অমা পাঙথোকখি।

মখোয়গী প্রোফেসনেলগী ৱাশক অদুনা পাকিস্টান শেম্বগী ওইথোক্লিঙাই লৈহনখিবা ফিভমশিং অদুদা শিংথানিঙাই ওইবা থবক অমা ওইখি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

ডোক্টর পটেল অমসুং ডোক্টর ধায়ভো–কুগীদমক পাকিস্টানগী এৱার্দ অসি জিন্নাহ লৈখিদবা চহী ৭৮কী মতুংদনি অমসুং মার্স ২০২৭দা থৌরম অমদা মখোয় শিখ্রবা মতুংদা ওফিসিয়েল ওইনা লান্থোক্কনি।

পার্টিসনগী সুপ্পগী চহী ১ হেল্লকপা ১৯৪৮কী সেপ্টেম্বর ১১দা মোহম্মদ আলি জিন্নাহ লৈখিদবনি।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR, IMPHAL

ADMISSION NOTICE 669

Dated the 17th August,2026

**No.MU/3 Adm/Aca/24: In continuation of the earlier Admission Notice No. 569 dated the 22nd July, 2026,** the last date of submission of online applications for admission into the following programmes for the academic session 2026-27 has been extended upto **28th August, 2026:**

**Diploma Programmes:**
1. One-year PG Diploma in Computer Application and Data Analytics
2. One-year PG Diploma in Computer Application.
3. One-year PG Diploma in Communicative English
4. One-year PG Diploma in Guidance & Counseling
5. One-year PG Diploma in Human Rights & Duties Education
6. One-year Diploma in Information Technology
7. One-year PG Diploma in Museology
8. One-year PG Diploma in Myanmar Studies
9. One-year PG Diploma in Public Health
10. One-year Diploma in Sanskrit
11. One-year PG Diploma in Translation
12. One-year PG Diploma in Yoga Science

**Certificate Programmes:**
1. One-year Certificate course in Chinese
2. Six-month Certificate course in Communicative English
3. Six-month Certificate course in Spoken Myanmarese
4. Six-month Certificate course in Translation

**Eligibility Criteria:** Kindly check the e-Prospectus 2026-27 available at university website: https://www.manipuruniv.ac.in/ for Minimum Eligibility Criteria and Programme-Specific Eligibility.

**How to Apply:** Interested candidates are required to apply online through the Manipur University Admission Portal https://manipurunivadm.samarth.edu.in/2026/

**General Instructions:**
1. Before filling up of online applications, applicants must read the e-Prospectus and instructions carefully and follow them strictly.
2. An application fee of Rs. 300/- for UR/OBC/EWS candidates and Rs. 200/- for ST/SC/PwD candidates are to be paid online using Debit Card/Credit Card/Net Banking/UPI only.

**Selection Criteria:** It will be announced by the concerned departments of the University.
**Important Dates:**

| | |
|---|---|
| Last Date for Online Submission | **28th August, 2026 (23:59:59 hours)** |

Sd/-
**(Prof. M. Premjit Singh)**
**Registrar**

SL/Sus/18 & 19

# বৃটিশনা শাবা ড্রোনশিংনা রসিয়াদা এটেক তৌরকখিবা মতুং মোস্কোনা য়ুনাইটেদ কিংদমদা অকনবা ৱার্নিং তৌখ্রে



ক্যিব, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি): রসিয়াগী য়াম্না মনুং চংশিনবা লমদমশিংদা চখবা এটেকশিংদা য়ুক্রেনদা পীরকখিবা য়ু কেনা শাবা ড্রোনশিং শিজিন্নরকখ্রে হায়বগী পাউশিংগী মতুং রসিয়ানা বৃটেনদা মখোয়না মমল অমা শোয়দনা পীবা তাবনি হায়না নিং থৌকাবা নুমিৎতা ৱার্নিং তৌখ্রে।

রসিয়ান টেরিটোরি মনুংদা মিলিটরি অমসুং ইন্দষ্ট্রিগী টার্গেটশিং থানবা ক্যিবনা বৃটিশ কম্পেনি অনিনা পুথোকপা ড্রোনশিং শিজিন্নখি হায়না সন্দে টাইমস পাউচেনা ফোঙখিবা মতুং ৱার্নিং অদু তৌখিবনি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা লন্দনদা রসিয়াগী এম্বেসিনা বৃটেনবু এটেকশিং অদুদা চেন্নবা অমনি হায়না মরাল শীরি।

কনক্লীক অসিদা হেন্না য়াওশিল্লক্লিবা মখৈ অমসুং ক্যিবকী টেরোরিষ্ট মিসিনরি শৌগৎপদো হেল্লিবমখৈ মখোয়না পীগদবা মমল অদু হেন্না ৱাংগনি হায়না এম্বেসি অদুনা হায়খি।

সন্দে টাইমসকী মতুং ইন্না, চেন্নরিবা কম্পেনিশিং অদুগী মনুংদগী অমদি দিফেন্সকী অচৌবা কম্পেনি বি এ ই সিষ্টেমসকী সবসিদিয়ারি অমনি।

পাউচে অদুনা সেক্যুরিটিগী মরমশিং পল্লদুনা অনিশুবা কম্পেনি অদুদি মশক তাকখিদে। মত অমা পীনবা হায়জখিবদা বৃটেনগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা খুদক্তা পাউখুম পীরকখিদে।

রসিয়ানা ফেব্রুৱারি ২০২২দা মপুংফাবা লান হৌখিবা মতুংদগী মিলিটরিগী তেংবাংদা পাউন্দ বিল্লিয়ন ১৬ য়াওনা পাউন্দ বিল্লিয়ন ২৫ (দোল্লর বিল্লিয়ন ৩৩) শৌগৎনবগী ফিরেপ লৌদুনা য়ু কেনা য়ুক্রেনগী খ্বাইদগী কনবা শৌগৎপশিংগী মনুংদা অমা ওইরকখি। য়ুক্রেননা হৌখিবা থা খরসিদগী রসিয়াগী মনুংদা লোং–রেঞ্জ এটেকশিং হেন্না কনখৎখি। নাকন অমরোমদা মোস্কোনসু য়ুক্রেনগী কোনুংদা মিসাইল অমসুং ড্রোন এটেকশিং কনখৎখি।

# ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী লোন্নবা ঙমখৈদা লৈবা ‘হেনলে’ কৌবা য়াম্না মনুং হুনজিনবা খূঙ্গং অসিদদি অমুবনা ফজবনি, অমম্বা পান্নে, ‘ডার্ক স্কায় রিজার্ব’ হায়বদু মসিদা লৈ



লদাখ, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি): ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগগী লোন্নবা ঙমখৈদা লৈবা ‘হেনলে’ কৌবা য়াম্না মনুংহুনজিনবা খূঙ্গং অসিদদি ‘অমুবনা ফজবনি’ অমসুং অমম্ববু হরাওনৈ অমসুং পান্নে। ইন্দিয়ানা মঙালগী কুম্মৈ দিৱালিবু মথুম–মরাং হৌনা নুংঙাইবগা লোয়ননা পাঙথোক্লবসু নুমিদাংগী মঙালবু পান্নদবা হিমালয়া চীংশাংগী অৱাংবদা অঙকপা মফম অমা লৈ।

লদাখকী মনুংহুনজিনবা মফম অমদা তুমিন্না লাপ্পা লৈরিবা লৈবাক অসিগী অমতা ঙায়রবা ‘ডার্ক স্কায় রিজাব’তা এন দি টি ভিগী সাইন্স এদিটর পাল্লবা বাগ্লানা তাঙলবা খোঙচৎ অম চৎলুখ্রে। এষ্ট্রো–এম্বেসেদরশিং ওইনসু থবক তৌরিবা মফমসিগী খুঙ্গাশিং অদুনা মোদর্ন টেলিস্কোপশিং শীজিন্নদুনা টুরিষ্টশিংদা থৱানমিচাকশিংগী ফজবা অদু উহল্লি।

মসিগী ‘ডার্ক স্কায় রিজার্ব’ অসিনা থৱানমিচাক য়েংবশিংবু নুংঙাইহল্লি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর’স ওফিসতা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট অমসুং ইন্দিয়াগী সাইন্স মিনিষ্টর ডো. জিতেন্দ্র সিংহনা হায়খি। লদাখ অসি ইন্দিয়াগী খ্বায়দগী নৌবা য়ুনিয়ন টেরিটোরিনি। অদুবু মসি ইন্দিয়াগী খ্বায়দগী লিরবা সিভিলাইজেসন অদুসুনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

মফম অসিদা লৈরিবা ‘হেনলে ডার্ক স্কায় রিজার্ব’ (ঐব দি এস আর) অসি মফমদুগী খুঙ্গাশিংদা টেলিস্কোপশিং পীয়বা এষ্ট্রো–টুরিজম প্রোগামগা লোয়ননা গাইদস নৎত্রগা ঐচ দি এম আর এষ্ট্রোনোমি এম্বেসেদরশিং ওইনা ট্রেনিং পীদুনা মখোয়গী শেন্দান লন্বীসু ওইহন্দুনা লাইট পোল্লুসন লাকশিন্নবগী মখল কয়াগী যৌরাংশিংগী খুত্থাংদা নুমিদাং–অতিয়াগী অমম্বা অদু প্রিজার্ব তৌনবা পান্দম থল্লি।

ডার্ক স্কায় রিজার্ব শেল্লক্লবগী মতাংদা মাঙজিনথানা থবক তৌরকখিবী ইন্দিয়ান ইনষ্টিট্যুট ওফ এষ্ট্রোফিজিক্স (আই আই এ), বেঙ্গলুরুদগী দাইরেক্টের প্রোফেসার অন্নাপুর্নি সুব্রমনিয়ম অমসুং মাগী টিমনা হায়, হানলে না য়ুনিভর্স চৎনবগী ইন্দিয়াগী গেটৱে অদুনি অমসুং হানলে ডার্ক স্কায় রিজার্বনা সাইন্সতা মায়ওন থম্বা লদাখকী অখন্নবা সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট অমনি।

সেলেব্রেসন ওফ ডার্কনেস অসি অতৈ অতোপ্পা মরম অমতগী নত্তে, সাইন্সকী মরমগীনা অয়াম্বনি অমসুং বুধিষ্টনা অয়াম্বা খুন্দারিবা লমদম অসিদা লাইনিংগী মতাংদা মসিনা তৌগদবা করিসু লৈতে।

মতাংচানা ওইরিবা ফিভমদি, মীওই ৩০০না খুন্দাবা হানলে খুন অসি ২০২৪দা ফাওবা ইলেক্ট্রিসিটি গ্রিদ কা শন্নদে অমসুং হৌজিকফাওবা দিজল জেনেরেটিং সেটশিংনা পাৱার পী। এষ্ট্রোনোমিকেল ওবজার্ভেটিরি অদু অচৌবা সোলার এরেজশিংনা পৱার পী।

ইন্দিয়ান ইনষ্টিট্যুট ওফ এষ্ট্রোফিজিক্স (আই আই এ)গী মতুং ইন্না, লদাখতা হানলেগী অকোয়বা রিজন অদু ইন্দিয়াগী মনুংদা খ্বায়দগী মম্বা অতিয়াশিংগী মনুংদগী অমনি। ময়ামদগী হেন্না ফবা অতিয়াগী ফিভম অসিনা মসিদা ইন্দিয়ান ইনষ্টিট্যুট ওফ এষ্ট্রোফিজিক্স (আই আই এ, বেঙ্গলুরু)গী ইন্দিয়ান এষ্টোনোমিকেল ওবজার্ভেটরি (আই এ ও) থল্লি।

চাংথাং ৱাইল্দ লাইফ রিজার্বকী মনুং, হানলেগী কিমি ২২ রোমগী রেদিয়সকী রিজন অমা হানলে ডার্ক স্কায় রিজার্ব (ঐচ দি এস আর) ওইনা লাওথোকখ্রে। ঐচ দি এস আরনা লৈবাক অসিগী মনুংদা অহানবা ডার্ক স্কায় রিজার্ব অদুনি।

আই আই এগী মতুংইন্না, ঐচ দি এস আরগী মরুওইবা মচাক্তি মালেমগী ওইনা হৌদোক্লরক্লিবা হিরম অমা ওইরিবা এষ্ট্রো –টুরিজমনি। ওপরেট তৌনবা ট্রেনিং পীখ্রবা মফমদুগী ভোলুন্টিয়ারশিংদা টেলিস্কোপ ১৮ খুৎশিন্নখ্রে। টেলিস্কোপশিংদা অকায়বা পীগদবা মঙাল হম্থহন্নবা ঐচ দি এস আরনা খুঙ্গংশিং অদুনা মথাবা পর্দাশিং, ফোং–ফোংশাবা লাইট বল্বশিং, অমসুং লেম্প সেদনচিংবা লাইট মেনেজমেন্ট ইক্বিপমেন্টসু পীরি।

ঐচ দি এস আরগী মনুংদা, খুনশিং অদু মপান্দা মৈ থানবদা অথিংবশিং থম্মি অমসুং হানলে অতিয়াগী অমম্বা অদু লেঙহন্দনা থন্নবা গাডিশিংদা লো–বিম হেদলাইট খক্তম অয়াবা পী। হানলে খুনদা হানলে লোজ কৌবা হোমষ্টে অমগী মপু অমসুং এষ্ট্রো–এম্বেসেদর অমা ওইরিবা কেসাং দোরিনা হায়, থৱানমিচাকশিং অমসুং মিক্সি ৱেগগী ফজবা অদু উনবা অমম্বা অতিয়াশিং মথৌ তাই অমসুং গভর্নমেন্টনা পীরিবা টেলিস্কোপশিং অদুনা সষ্টেনেবল টুরিজমদা মতেং ওই।

মলেমগী ওইনসু এষ্ট্রো–টুরিজম পান্নবা হেনগৎলক্লি অমসুং ঐচ দি এস আরনা মখোয়গী বোর্দরস মনুং অনৌবা ভেপ্পর অসি য়োকখৎকনি। টুরিষ্টশিংনা লাক্কনি অমসুং নুমিদাংগী অতিয়া য়েংনবা হানলেদা লৈগনি।

এষ্ট্রোনোমিদা ট্রেনিং পীরিবা মফমদুগী খুনগী খুঙ্গাশিংনা টেলিস্কোপশিংগী খুত্থাংদা মখোয়দা স্বর্গগী পোশেকশিং অদু উৎকনি।

হন্দক্তা মপুক্কিং লুপচবা এম্যেচ্যর এষ্ট্রোনোমর কয়া চিংশিন্দুনা হানলেদা অখন্নবা ‘ষ্টার পার্টি’ অমা পাঙথোকখ্রে। মদুগী ষ্টার পার্টি অদু ঐচ দি এস আরনা কোস্মোশিং অমসুং নুমিদাং অতিয়াবু নুংশিজবা মীওইশিং পুনশিন্নহন্নবা অতোপ্পা লম্বী অমনি।

ঐখোয় অখন্ননা নুংঙাই, মদুদি ঐচ দি এস আর প্রোজেক্টকী খুত্থাংদা ওবজার্ভেটরি অদুদা মরিকচুম্বা অমসুং ৱাহন্থোক লৈবা ফেসন অমদা মফমদুগী কম্যুনিটিশিংগা শন্নহল্লে হায়না ডো. সুব্রমনিয়মনা মখা তাখি।

লদাখকী হানলেদা মিটর ৪৫০০ ৱাংবদা লৈবা ইন্দিয়াগী খ্বায়দগী ৱাংবা সাইন্টিফিক লেবোরেটরিদগী ইন্দিয়ান সাইন্টিষ্টশিংগী খুৎথাংদা তাইবংপানসিগী অঙকপশিং অদু থিনবা লদাখি লোনদা জুলে হায়বদি হেল্লো হায়না খঙনবা ‘জুলে কোস্মোস’ কৌবা হিমালয়াগী অৱাংবদা সাইন্টিফিক এক্সপেদিসন অমা শীনখি।

দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিনা হানলে সাইট দিভলপমেন্টগী অহানবা ফন্দ অদু থাদখিবনি। ইনষ্ট্রুমেন্টশিং অয়াম্বা, দিগপা রাস্তা রি হায়বদি ‘স্কোর্পিওনস’ মাউন্টন হায়না খঙনবা মাউন্ট সরস্বতিদা লৈ।

ইশ্রোগী G-SAT/INSAT সেটিলাইটতগী সেটিলাইট লিঙ্কস শিজিন্নদুনা রিমোট ওইনা অমসুং রোবোটিক মোদতা ওপরেট তৌবা ওপ্টিকেল টেলিস্কোপ অনি হিমালয়ান চন্দ্র টেলিস্কোপ অমসুং Growth-India টেলিস্কোপ (GHT) দগী অফবা ফলশিং থোক্লকখ্রে। ৱার্ল্ড ক্লাস ফেসিলিটিজ অনিমক্ত ইনষ্টিট্যুট ওফ এষ্ট্রোফিজিক্স (11A), বেঙ্গলুরুদগী সাইন্টিষ্টশিংনা শীজিন্নে। হিমালয়ান চন্দ্র টেলিস্কোপ অদু মফম অসিদা চহি ২৫ রোম থবক তৌরক্তুনা তাইবংপানগী খঙলমদনা লৈবা অরোনবা কয়ামরুম ফোংদোকখ্রে।

টেলিস্কোপশিং অদু করনাটাকাগী হোসকোটেদগী রিমোট ওইনা এষ্ট্রোনোমরশিংনা ওপরেট তৌবনি। অদুবু লদাখকী অকনবা অমসুং অঙ্গংবা ফিভম অদু ইঞ্জিনিয়ারিংশিংনা মায়োক্লরি।

Growth -India Telescope (GIP) ওপরেট তৌরিবা IIT Bombay দা এষ্ট্রোফিসিষ্ট ওইরিবা প্রোফেসার ভালেৱাওনা মসি মতম তেন্না লৈবা এষ্ট্রোনোমিকেল ইভেন্টশিংদা অথুবা পাউখুম পীনবগীদমক দিজাইন তৌবা মপুং ফাবা রোবোটিক, ওটোমেটেদ অমসুং দাটা –ড্রাইভন টেলিস্কোপ অমনি হায়রি।

তরং–তরং শেংলবা অতিয়াশিংনা এষ্ট্রোনোমিকেল ওবজার্ভেসনশিংগীদমক অফবা ফিভমশিং পীরিবা হানলেদা, ২০২৪গী ওক্টোবরদা অখন্নবা মশক্কী ষ্টার পার্টি অমা ইন্দিয়াগী অহানবা ডার্ক স্কায় রিজার্বতা এষ্ট্রোনোমি অমসুং এষ্ট্রো–টুরিজমদা তেংবাংনবা পাঙথোকখ্রে।

মসিগী ইন্দিয়ান হিমালয়ান সাইন্স লেব অসিনা মাউন্ট সরস্বতিদগী খুৎনা হেকলাম্বদা ফংবগুম মিক্সি ৱেগী অঙকপশিং অদু টুরিষ্টশিংনা উখি

মালেমগী খ্বায়দগী ৱাংবা গম্মা রে টেলিস্কোপ, মেজর এটমোস্ফ্যারিক সেরেনকোব এক্সপরিমেন্ট (MACE) অদু এটোমিক ইনর্জি কম্মিসনগী চ্যারমেন অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ এটোমিক ইনর্জিগী সেক্রেটরি ডো. অজিৎ কুমার মোহন্তিনা ওক্টোবর ৪, ২০২৪দা ইনাওগুরেট তৌখ্রে। মদু মিটর ৪,৫০০গী অৱাংবদা লৈবা কমপ্লেক্স ইনষ্ট্রমেন্ট অমনি অমসুং মসিনা থৱানমিচাকশিং শিবা অমসুং পোকপগীদমক য়েংদুনা লৈরি।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR, IMPHAL

ADMISSION NOTICE/670
ADMISSION TO ONE-YEAR POSTGRADUATE PROGRAMMES

Online applications are invited from eligible candidates for admission to One-year M.A./M.Sc./M.Com/MCA/MLIS/MPES for the Academic Session 2026-27 in Adult Continuing Education and Extension, Ancient History and Archaeology, Anthropology, Biochemistry, Biotechnology, Botany, Chemistry, Master of Commerce, Master in Computer Applications, Earth Sciences, Economics, Education, English & Cultural Studies, Environmental Science, Forestry, Geography, Hindi, History, Human Rights, Mater in Library & Information Sciences, Linguistics, Manipuri, Mass Communication, athematics, National Security Studies, Philosophy, Physics, Master in Physical Education & Sports, Political Science, Psychology, Sociology, South East Asian Studies, Statistics, Yoga, and Zoology.

**Eligibility Criteria:** Kindly check the e-Prospectus 2026-27 available at university website: https://www.manipuruniv.ac.in/ for Minimum Eligibility Criteria, Programme-Specific Eligibility and Intake seats.

**How to Apply:** Interested candidates are required to apply online through the Manipur University Admission Portal https://manipurunivadm.samarth.edu.in/2026/

**General Instructions:**
1. Before filling up of online applications, applicants must read the e-Prospectus and instructions carefully and follow them strictly.
2. An application fee of Rs. 300/- for UR/OBC/EWS candidates and Rs. 200/- for ST/SC/PwD candidates are to be paid online using Debit Card/Credit Card/Net Banking/UPI only.

**Selection Criteria:** It shall be on the basis of the marks obtained in the qualifying examinations.
**Important Dates:**

| | |
|---|---|
| Start of Online Submission | **18th August, 2026** |
| Last Date for Online Submission | **27th August, 2026 (23:59:59 hours)** |

Sd/-
**(Prof. M. Premjit Singh)**
**Registrar**

SL/Sus/18& 19

## লৈতানথেম রঞ্জনা চনুদা নেসনেল এৱার্ড পীরকখ্রে



রঞ্জনা হেলথ কিয়ার সেন্টরগী প্রোপ্রাইটর লৈতানথেম রঞ্জনা চনুদা লৈবাক অসিগী লেমজনিংঙাই ওইরবা ভারত রত্না ডা. বি আর অম্বেকর নেসনেল এৱার্দ ২০২৬ পীরকখ্রে। এৱার্দ অসি হন্দক্তা পাঙথোকখিবা নেসনেল এন্দ ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স ২০২৬তা রঞ্জনা চনুদা খুৎশিন্নরকখিবনি।

চাওখৎ থৌরাং নুপী লুপনা শিন্দুনা হৌখিবা ওগষ্ট ১৬, ২০২৬কী নুংথিল পুং ৩.০০ তাবা মতমদা কোংপাল চনম লৈকাইদা নহাকপম ইন্দ্রজিৎ এক্স এম এল এনা চীফ গেষ্ট, অলতাব হুষেননা প্রসিদেন্ট অদুগা ইন্টরনেসনেল এৱার্দি মুতুম উপেন্দ্রোনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা পাঙথোকপা থৌরম অমদা লেমজনিঙাই ওইরবা নেসনেল এৱার্দ অসি ফংলকখ্রবা লৈশাংথেম রঞ্জনা চনুবু তরাম্না ওক্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

ৱাহেংবম গুনি লৈমা
সেক্রেটরি
চাওখৎ থৌরাং নুপী লুপ
কোংপাল চনম লৈকাই, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, মণিপুর

SL/Y.Ib/19

## ক্রোসৱার্দ ১১২০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | O | R | E | R | | S | I | D | E | | C | A | R | P |
| C | L | A | R | A | | A | R | E | A | | A | S | E | A |
| R | I | V | E | T | | F | A | L | T | E | R | I | N | G |
| A | V | E | | R | E | E | N | T | E | R | | A | D | E |
| M | E | N | T | A | L | | | A | R | I | D | | | |
| | | | A | C | M | E | S | | I | C | I | C | L | E |
| A | D | A | G | E | | C | A | S | E | | S | H | O | W |
| B | A | I | T | | A | R | I | A | S | | E | A | V | E |
| E | L | L | E | | L | U | N | G | | E | A | T | E | R |
| D | I | S | A | R | M | | T | E | E | N | S | | | |
| | | | M | E | A | T | | | R | E | E | L | E | D |
| L | A | G | | A | N | A | G | R | A | M | | E | A | R |
| A | V | A | I | L | A | B | L | E | | I | M | A | G | E |
| Z | I | N | C | | C | O | E | D | | E | A | S | E | S |
| E | D | G | E | | S | O | N | S | | S | E | E | R | S |

